মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপন্টে, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হাংলিবা ৱান ষ্টোপ সেন্টর (ও এস সী), বিষ্ণুপুরগী অনীশুবা ফাউন্দেসন দে থৌরমগী শক্তম অমা

FOUNDATION DAY
of
TRE, BISHNUPUR
CHIEF GUEST

পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালগী লমজিং মখাদা লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা সেঞ্জম চিরাংদা মশক খঙদবশিংনা ফৌবৈ মৈ থাদোকপীরম্বদগী অৱাবা তারবা লৌমী ইমুংশিংদা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখিবা

অপূনবা ইনাৎ সিনলোন লূপ লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায় হৈনিং মখোঙ লিংখৎখিবা চহী ৪ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা হৈনিং মখোঙ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী মপোক কুমওন থৌরম

CELEBRATION, 2021
APUNBA INAT SINLON LUP
GUEST OF HONOUR
PRESI

লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা বিষ্ণুপুর এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা কোন্থৌজম কৃষ্ণকুমারগা বি জে পি বিষ্ণুপুর মন্দলগা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা য়ুথ পোলিটিকেল কনফরেন্স

YUVA MORCHA
POLITICAL CONFERENCE
13/11/2021
02:00 pm
organised by :
Krishnakumar Singh

মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ডা. কৃষ্ণনন্দ সপোর্ট গ্রুপনা শীন্দুনা ঙসি তেরা কৈথেলদা লৈবা পি দি এ কমপ্লেক্সতা নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। ফ্রী মেদিকেল কেম্প অদুদা পাৎশোই এ সীগী মীওইশিংখক নত্তনা অতোপ্পা এ সীদগীসু লাক্তুনা শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৫০০ হেনবগী হকচাং চেক-অপ তৌখিবগা লোয়ননা হিদাক-লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি। অসিগুম্বা মখলগী মেদিকেল কেম্প অসি পাৎশোই এ সীগী মফম কয়াদা পাঙথোকখিগনি। মীয়াম্বু মশা-মউ ফনা থন্বা অমদি লায়না-তীন্না লৈহন্দবা পাৎশোই এ সী অমা ওইহন্ননবা পান্দমদা ডা. কৃষ্ণনন্দগী লুচিং মখাদা ডা. কৃষ্ণনন্দ সপোর্ট গ্রুপনা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

য়ুথ ৱেলফেয়র প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা য়ুথ ৱেলফেয়র প্রোগ্রামগী মনুং চন্না তৌরম্বা য়ুথ ফেষ্টিভেল, য়ুথ লিদরশিপ ট্রেনিং, কম্যুনেল হার্মোনি ৱীক, নেসনল য়ুথ দে, ষ্টেট লেভেল য়ুথ ৱার্ক কেম্প, ষ্টেট লেভেল ইন্টিগ্রেসন কেম্প, ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমদি য়ুথ এৱার্দনচিংবা কয়া পীবগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা য়ুথ সেন্টর ১৮৩দা কান্নবা পীরম্বা অদু কুমজা ২০১৯-২০দগী অসিগুম্বা কান্নবশিং পীরিবা অসি য়ুথ ৱেলফেয়র প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখিদ্রে। মরম অসিনা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা য়ুথ ৱেলফেয়র প্রোগ্রামশিং অসি পাঙথোকপীদুনা য়ুথ সেন্টরশিংদা কান্নবা ফংহনবীয়ু হায়না বুংতে চিরু য়ুথ সেন্টরগী প্রসিদেন্ট লেমলালুংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

২শিরে, ৭ শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা লন্বীগী এক্সিদেন্টতা মীওই অনী শিরে, মীওই তরেৎনা শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে। হৌখিবা নোংয়াইমতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শুনু সিফাইদা ভর্না কার অমা মথন্তা লন্বীগী নাকলদা লৈবা ইলেক্ট্রিক পোলদা য়ৈশিনবদা কোন্সম সিলভাষ্টর কৌবা মীওই অমা লৈখিদ্রে। অদুগা মীওই মঙানা অশোক-অপন নংখ্রে। অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা কৌব্রু লৈখাদা কার অমা তুরেলদা তাশিনবদা নুপী অমা শিরে। অদুগা কার অদুদা তোংলকপা নুপা অমগা নুপী অমগনা অশোক-অপন নংলে হায়রি।

লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা নহাশিংনা মতিক চাবা লুচিংবা খনবগী থৌদাং চপ চানা লৌবীয়ু : কৃষ্ণকুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা বিষ্ণুপুর এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা কোন্থৌজম কৃষ্ণকুমারগা বি জে পি বিষ্ণুপুর মন্দলগা পুন্না খুৎশম্নরগা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা য়ুথ পোলিটিকেল কনফরেন্স অমা ঙসি বি জে পি মন্দল নিংথৌখোংদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুথ পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কোন্থৌজম কৃষ্ণকুমার, মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটি কম্মিসনগী চ্যেরমেন অনুৱার হুসেন, বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আর কে বিমোলা, বি জে পি বিষ্ণুপুর মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন রঘুমনি, বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ইবোয়াইমা, য়ুব মোর্চা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রামেশ্বর অমদি তোঙান তোঙানবা মোর্চাশিংগী প্রসিদেন্টশিংনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কোন্থৌজম কৃষ্ণকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পি অসি ইন্টিগ্রেল হ্যুমেনিজমদা য়ুন্স্ফম ওইবা মশাগী ওইজবা থিদবা, মীয়ামগী মতেং পাংবা ঙম্নবা লিংখৎখিবা পার্টি অমনি। বিষ্ণুপুর এ সী অসি য়াম্না য়ুনিটি লৈবা এ সী অমনি। এ সী অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ-ফুরুপ খূদিংমক নুংশি-চান্ননা লৈরিবনি। লাক্লিবা এসেমব্লী মীখল অসিদা এ সী অসিগী নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অসিনা নহাশিংনা মতিক চাবা লুচিংবা খনবগী থৌদাং চপ চানা লৌবীয়ু। এ সী অসিগী ফ্যুচর ঙসিগী নহাশিংগী মখুৎতা লৈবনি। নহাশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। মরম অদুনা নহাশিংনা ৱাখল খন্থরগা কুপ্না নৈনরবা মতুংদা এ সী অসিদগী মতিক চাবা লিদর অমা পুথোক্লনবা অমত্তা ওইন হোৎনবীয়ু। কনাগুম্বনা লান্না লমজিংখিননবা খুদোংচাবা ফংহনগুমসি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিগী খুদোংচাবশিংসু মীয়ামদা য়ৌহন্ননবা হোৎনখি। এ সী অসিগী মীয়ামদা পি এম জে এ ৱাই অমদি সী এম ঐচ টিগী কার্দ কয়া য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা উজ্বলা স্কিমগী মখাদা এ সী অসিদা লেম্না চাকথোং গ্যাস কন্নেক্সন লিশিং ২ রোমসু পীখ্রে। মখা তানসু লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনখিগনি হায়নসু কোন্থৌজম কৃষ্ণকুমারনা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আর কে বিমোলানা হায়খি, বিষ্ণুপুর এ সীগী মীয়াম্না ৱাখল মুন্না খন্থরগা অফবা লুচিংবা অমা খনবগী মতম ওইরে। ঙসি এ সী অসিদগী বি জে পিগী টিকেট তান্নরিবশিংগী মরক্তা টিকেট ফংলকপা মীওই অদুদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা বি জে পিগী মীহুৎ অমা থাগৎতুনা লৈঙাক পায়বদা য়াওহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চহী ২গী মনুংদা য়ুমথোঙ খূদিংমক লেম্না থক্লবা ঈশিং ফংহনগনি : থানিল মৈতৈ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পান্নরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা ৩২-ৱাংখেম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা মীখল থেংনরগনি, মীখল অসিদা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইরবদি চহী অনীগী মনুংদা এ সী অসিগী য়ুমথোঙ খূদিংদা অফবা থক্লবা ঈশিং লেম্না ফংহনগনি হায়না বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশ্রম থানিল মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়দা লৈবা থানিলগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম অমগী মাঙওইননা পাউমীশিংদা থানিলনা ফোঙদোকখিবদা, ৩২-ৱাংখেম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা মীয়াম পুন্বা থোং চপ চান্নবা থাক অমদা ঈংনা চিক্লা য়াইফ নুংঙাইনা লৈমিন্নবা অওনবা এ সী অমা ওইহন্নবগী ৱাখল্লোনদা মহাক্লা মীখল থেংননবা থোরকখিবনি।

থানিলনা মখা তানা হায়খিবদা, করিগুম্বা মহাক্লা হন্দক্কী মীখল অসিদা মায় পাক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা এম এল এ ওইবা তারবদি ৱাংখেম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না চহী ২৫/৩০ রোম অফবা ঈশিং ফংদনা লাকপা অদু কোকহন্নবা য়ুমথোঙ খূদিংদা টোটি ঈশিং ফংহনগনি। এ সী অসিগী ইন্টর ভিলেজ রোদ (আই ভি আর)শিং নীংথিনা শেমজিন শাজিনগনি। মহৈ-মশিন হৈরবা থবক ফংদনা লৈরিবা নহাশিংগীদমক ইন্দষ্ট্রিএল হবশিং লিংখৎকনি। এ সী অসিদা শোথনা লৈরিবা এদ্যুকেসেন সিষ্টম অসি ফগৎনবা হোৎনগনি। ৱিদো, দিসএবল্ড পর্সন অমদি অহল ওইরবশিংগী শেল-থুমগী মতেং ওইজনবা স্কিম খূদিংমক্কী স্পেসল পেকেজশিং ফংহনগনি। লৌউ-শিংউবনা হেন্না মপুং ওইনা লৈবা এ সী অমা ওইবনা এগ্রিকলচর সিষ্টম, এগ্রিকলচরেল এক্টিভিটিজ শিং অমসুং ঈথৈ-লৌখোংশিং মতিক চানা ফগৎহন্নবা হোৎনগনি অমদি মীপুম খূদিংমক্কী অনা-লায়েং হকশেলগা মরী লৈনবশিং মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎকনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা থানিলবু শৌগৎপা ৱাংখেম এ সীগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

অনীশুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপন্টে, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হাংলিবা ৱান ষ্টোপ সেন্টর (ও এস সী), বিষ্ণুপুরগী অনীশুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ন্যু মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স, বিষ্ণুপুরদা লৈবা ও এস সী অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন দে থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী দি সী য়ুম্নাম রঞ্জন, বিষ্ণুপুরগী এস দি পি ও মনোজ প্রভাকর অমসুং সী দব্লিয়ু সী বিষ্ণুপুরগী চ্যেরপর্সন পি প্রেমচান্দনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ও এস সী অসিবু চলাইরিবা পিপলস রিসোর্ছ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (পি আর দি এ), বিষ্ণুপুরগী সেক্রেটরি লোংজম সুরঞ্জয়না থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াদুনা ও এস সী অসিনা চহী ২ অসিদা পাঙথোকখিবা থবকশিংগী এচিভমেন্ট অমদি থেংনখিবা অৱাবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামগা পুন্না খঙমিন্নখি। লোয়ননা ও এস সী অসিগী অকোয়বদা উ চারাশিংসু থাখি।

থৌরমদুদা বিষ্ণুপুরগী দি সী য়ুম্নাম রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, সেল্ফ হেল্প গ্রুপনা নুপীশিংবু শেন্থোক লন্বী পীবগী মথক্তা নুপীশিংগী রাইটসু ফংহনবদা অচৌবা মতেং ওই। মরম অসিনা মসি পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। নুপীদা থোকপা ক্রাইমশিংসি মশক খঙনদবা মীনা থোকহনবা ঙমদে। খঙনবা চান্নবা মীওইশিংনা অয়ান্বা থোকহল্লি। মসিসু নুপী খূদিংনা কাউদবা ফৈ। ক্রাইম থোক্লক্লবা মতুংদা নুপীশিংদা কেস হিষ্ট্রি লৌরিবনি হায়দুনা মখোয়গী কেসকী ৱারী হঞ্জিন-হঞ্জিন কোর্টতা, পুলিস ষ্টেসনদা, এদভোকেটতা, মথং-মথং ৱারী লীবা অমদি মেদিকেল এগজামিনেসন তৌবা তনবদগী কেসশিং লোৎশিনবা নুপী কয়াসু য়াওই। অদুনা নুপীশিংদা চথুবা ক্রাইমশিং হন্থহন্ননবা অমদি থোক্তনবা ও এস সীনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিংঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

বিষ্ণুপুরগী এস দি পি ও মনোজ প্রভাকরনা ফোঙদোকখিবদা, নুপীগী মথক্তা চথুবা ক্রাইমশিং হন্থহন্ননবা, মচাশিংবু চহী শুদনা লুহোংবসি মমা-মপাশিংনা য়ারিবমখৈ তৌরোইদবনি। মশাগী শেন্থোক লন্বী লৈজরবা মতমদা মশানা ইমুং পুবা ঙমজরগা লুহোংবীরগদি ক্রাইম থোকপগী চাং অসি খরদি হন্থগনি হায়খি।

অপূনবা ইনাৎ সিনলোন লূপকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): অপূনবা ইনাৎ সিনলোন লূপ, লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায় হৈনিং মখোঙ লিংখৎখিবা চহী ৪ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম ঙসি হৈনিং মখোঙ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা অথোইবা মীথুংলেন, বি জে পি লংথবাল মন্দলগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লিলোং, ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৪গী হান্নগী কাউন্সীল্লর মাইবম জয়কুমারনা থৌরম মপু, ৱার্দ নম্বর ৫গী হান্নগী কাউন্সীল্লর অরাম্বম ওর্মিলা, মণিপুর লৈঙাক্কী রুরেল এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (আর ঈ দি)কী এস ঈ লাইরেঞ্জম মাইপাক, লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এক্স-চ্যেরপর্সন লমাবম লালমনি, ৱার্দ নম্বর ৭কী কাউন্সীল্লর থৌনাওজম অনিল, ৱার্দ নম্বর ৩গী হান্নগী কাউন্সীল্লর পুখ্রম্বম গীতা, ৱার্দ নম্বর ৯গী হান্নগী কাউন্সীল্লর নামৈরাকপম গীতাবলি, মণিপুর লৈঙাক্কী আর ঈ দি দিপার্টমেন্টকী ঈ ঈ পুয়াম রাজেন, অপূনবা ইনাৎ সিনলোন লূপকী ফাউন্দর মেম্বর মাইবম ওংবী পান্থোইবী লৈমা অমদি সেক্রেটরি লাইরেনলাকপম তোম্বনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈ কয়াসু পাঙথোকখি।

অৱাবা তারবা ইমুং অনীদা লুপা লিশিং ৩/৩ পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফুল্লৌ অমদি সেঞ্জম খুনৌগী লৌফমশিংদা লৌ য়ৈগদবগী পৈশিন্দুনা থন্বা ফৌবৈশিং মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওং অদু পাঙদবগী থৌওংনি। লাইবকথীবা থৌদোক অদুদা অৱাবা তারবা ইমুং অনীদা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা লুপা লিশিং ৩/৩ পীদুনা পূক্নিং হন্থদনবা হকথেংননা ৱা তান্নখ্রে অমদি লাক্কদবা চহীশিংদা মতেং পাংননবা লেপ্পখ্রে হায়না ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ গোপেন লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফৌবৈ মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা অদু লৌমী ঐখোয়গী মাঙজবদা নত্তনা লমদমসিদা পুন্না নুংশি-চান্ননা, থাজনা হিংমিন্নবগী লমচৎ-শাজৎতা অমদি থকশি-খাশিদা য়াম্না কায়থরক্লে হায়বগী খুদমনি। ফৌবৈ মৈ থারম্বগী থৌদোক অসি হন্দক্কীসিনা অহানবা নত্তে অদুগা অরোইবসু ওইরোইদৌরি। মরমদি খুন্নাই অসি মায়োন অমদা হোংনবা হোৎনবগী অরোনবা থৌরাং তৌবা কাঙবু অমা লৈব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। অদুনা হীরম খূদিংমক্তা ঐখোয়না চেকশিনবা মথৌ তাই। হৌজিকমক্কী ওইনা ফৌবৈ শংননবা লৌফমশিংগী মীওইশিং শেম-শাবা অমদি লৈকায়-লৈকায়গী, খুলগী মৈরা পায়বী, ক্লব, এসোসিএসন অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা থবক পায়খৎপীবা মতম ওইরে হায়রি।

য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মীওইবগী চাকখাওবু শীংনদুনা ফৌবৈ মৈ থারম্বগী থৌওং য়ানিংদে হায়না নোংপোক ইম্ফাল লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ (এন আই এল এস এ এল)গী সেক্রেটরি টি ঐচ রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা নবেম্বর ১০গী অয়ুক অঙনবদা সেঞ্জম খুনৌ, সেঞ্জম চিরাং, ফুল্লৌ অমদি কৌক্রুক্কী লোন্নবা মফম অমদা মীওইবগী চাকখাওবু শীংনদুনা লৌ সঙম তরেৎলোমগী ওইগদবা তোঙান তোঙানবা মফম মরিদা লৌমীশিংনা চহী অমগী চাননবা চীঙ্গাকনি খন্দুনা পৈদুনা থল্লম্বা ফৌবৈ মৈ থারম্ববু লূপ অসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিংবু অথুবা মতমদা ফাদুনা নুমীৎ তরেৎনি চাকখাও হাংহন্দুনা চীঙ্গাক্কী অৱাবা খঙহন্দুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু।

মীওইবগী পুন্সিনা হিংবদা চীঙ্গাক্লা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম্না চীঙ্গাক য়াওদনা হিংবা ঙম্বা লৈতে। ফনা অচৌ-অশাং ওইসনু, লাইরিক হৈবা কয়া ওইসনু চীঙ্গাক্কী মখা পোন্না হিংবা ঙাক্তনি। ফুরুপ অমা লৈরবদি ফুরুপ অদুবু ঙাক্লনবা অমদি চীঙ্গাক্তা মীপাল তাঙদনবা লৌমীশিংনা ঈকং থোক্লবসু, ঈচাউ থোক্লবসু লান্থেংনদুনা চীঙ্গাক্কী পোৎলম পুথোক্লনবা হোৎনরিবনি। মসিদা চীঙ্গাকপু শীংনদুনা ফৌবৈ মৈ থারম্বগী থৌওং অসিদি য়ানিংদে। লন্নাই নুংঙাইনদবা লৈরবসু ফৌবৈদা তায়নবীগনু। ফৌবৈ মৈ থারম্বা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিংবু লৈঙাক্লা থিদোক্তুনা ফারগা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘করম্বা মীওইবু মীয়াম্না মীহুৎ ওইহনগদগে হায়বদু কুপ্না নৈনবীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা করম্বা মীওইবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনগদগে হায়বসি মীয়াম্না কুপ্না নৈনবীয়ু হায়না স্পোর্টস সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কনভেনর অমসুং পাৎশোই এ সীদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা দব্লিয়ু ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

তাকয়েল খোংবান ময়াই লৈকায়দা লৈবা মশামক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা দব্লিয়ু ইবোমচানা হায়খি, বি জে পি অসি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা পার্টি অমনি। পার্টিগী দিসিপ্লিন ঙাক্লা চৎপা অমদি পার্টি অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবা মীওইদা ভোট পীরগদি হেন্না অফবা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী। মণিপুর অসি চহী লিশিং ২ হেনবগী পুৱারী লৈরবা লমদম অমনি। লমদম অসিগী ইন্টিগ্রিটিগীদমক থৱায় কত্থোকপা ঙম্বা মীওই কয়া লৈখ্রে। মদুগী মতুং ইনবা ওইনা ইরমদম অসিগী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবগীদমক ঙসি ফাওবা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। লাক্লিবা মীখল অসিদসু ইন্টিগ্রিটিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীবা ঙম্বা মীওইশিং খনবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা হকথেংননা ফংহন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি। লোয়ননা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা ঙসি ফাওবা থবক তৌদুনা লাক্লি। ঙসিগী মীরোলনা তুংগী মীরোলগী য়াইফননবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎলম্বা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অঙাংগী নুমীৎনা লাকপদা উচেক মচাশিংগী খল্লগা পাৎশিংদা দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): অঙাংগী নুমীৎ নবেম্বর ১৪না লাকপদা উচেক মচাশিংগী খল্লগা, ককচিং রেঞ্জ অমদি মসিগী মখাদা লৈবা বিট ওফিসকী ষ্টাফশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা মরুওইনা পাৎশিং হায়বদি খোইদুমপাৎ, পুল্লেনপাৎ, মোইরাংকোমপাৎ অমদি লৈঙাংপাৎতা ঙসি অকনবা দ্রাইভ চথখ্রে।

ঙসি অহিংদগী হৌদুনা চথখিবা উচেক লাংশিং ফাগৎপগী দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা এন মুনাল মৈতৈ, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর, ককচিংনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, নিংথম থা লাকপগা লোয়ননা লমকোয় উচেকশিং ষ্টেট অসিদা লাকপা হৌখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা নবেম্বর ১দগী হৌনা ষ্টাফশিং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মরুওইবা ৱেটলেন্দশিংদা অকনবা দ্রাইভশিং চথদুনা লাক্লি।

দ্রাইভ অদুদা য়াম্না নুংঙাইবদি মণিপুরগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা পাৎ অমা ওইরিবা পুল্লেনপাৎ য়াওন অতোপ্পা ৱেটলেন্দশিংদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা উচেক লাং অমা ফাওবা থেংনরকখিদে। মসিমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা চাউথোকচনিংঙাইনি। মসিদা মুনাললনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা মীয়াম্না করিগুম্বা উচেক লাং থাকপগী মরিক চুম্বা পাউ পীরকপা মীওই অদুদা লুপা লিশিং ১০গী ওইবা মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

ঙসিগী চঙশিনখিবা দ্রাইভকা মরী লৈননা তাংজেং পাৎতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মুনাললনা হায়খিবদা, পাৎ অসি মণিপুরগী খা মায়কৈদা লমকোয় উচেকশিংনা মরাং কায়না তাবা য়াম্না মরুওইবা পাৎ অমনি। অদুবু লাইবক থীবদি কুমশি চহীগী ওইনা হৌজিক নবেম্বর থাখায় চল্লবা ফাওবদা ঙানু থঙ্গোং অমা ফাওবা লাক্তবসিনি। মসিগী মরুওইবা মরমসি এন্ত্রোপোজেনিক প্রেসর হায়বদি মীওইবা অমদি শা-ষনশিংনা পাৎ অসিগী মহৌশাগী শক্তমবু কায়হল্লকপদগীনি। মরম অসিনা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম য়াওনা ঐখোয় পুন্না পাৎ অসিবু শেমগৎপা চঙই অমদি মহৌশাগী খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা খুদোল শা-উচেকশিংবু হাৎপীগনু, মখোয়বু কনমিন্নসি হায়না মুনাললনা মীয়ামদা আপীল তৌখি। ঙসিগী দ্রাইভকী মনুং চন্না চাইরেন খুনৌদগী এয়রগন অমসু ভেরিফিকেসনগীদমক ফাগৎলকখি।

নিংরৈঙম কসুং মায়পাক্লবা য়াইফ থৌনিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নিংরৈঙম কসুংনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পি টিকেটতা মায়পাক্লবগীদমক ঙসি চদোং ভিলেজ ওঠোরিটি এন্দ বি জে পি ৪৩- ফুংয়ার এ সীনা শিন্দুনা চদোং ভিলেজদা য়াইফ থৌনিগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা য়াইফ থৌনিগী থৌরম অদুদা কিষান মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমদি ফুংয়ার এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নিংরৈঙম কসুংনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিদা ঐহাক্লা য়াওরক্লিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী অফবা থবক কয়া তৌরকপগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং চাওখৎহন্দনা ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়বগী ৱাখল্লোলদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংবু চাওখৎনবা হোৎনরকপা থবকশিং অসি উবদা বি জে পিদা য়াওরকখিবনি।

করিগুম্বা মীয়ামগী থৌজালদগী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ফুংয়ার এ সীগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি ফুংয়ার এ সীবু চাওখৎনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকনি। লোয়ননা মণিপুরগী চাওখৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। ঙসি ফুংয়ার হায়রিবা এ সী অসি অতোপ্পা এ সীশিংগী মনুংদা য়াম্না শোৎথনা লৈবা হায়বদু ওইরি। মরম অদুনা মীয়ামগা পুন্না খুৎশম্নদুনা বি জে পি লৈঙাক্লা লোয়ননা চৎমিন্নদুনা অওনবা ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অমা ওইনবা থবক পাঙথোকপদা ফুংয়ারগী মীয়াম্না অচৌবা মতেং পাংবিরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

চদোং ভিলেজদা পাঙথোকখিবা য়াইফ থৌনিগী থৌরম অদুদা বি জে পি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, বি জে পি ৪৩ ফুংয়ার, ৪৪- উখ্রুল অমদি ৪৫- চিংঙাই মন্দল, কিষাণ মোর্চা বি জে পি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, ভারতিয়া জনতা য়ুভা মোর্চা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, এস টি মোর্চা বি জে পি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, কিষাশ মোর্চা বি জে পি ৪৩ ফুংয়ার, ৪৪-উখ্রুল অমদি ৪৫-চিংঙাই মন্দল, মহিলা মোর্চা বি জে পি ৪৩-ফুংয়ার, ফোর্মর বি জে পি প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি, এগজিক্যুটিভ অমদি ৪৩-ফুংয়ারগী ৱার্করগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

‘ফৌথোক্কী অৱাবা য়েংদুনা লৌ মপুশিংনা লৌসাল লৌবীগনু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): চৎলিবা কুমজা ২০২১ অসিদা লৌমীশিংনা থেংনরিবা ফৌথোক্কী অৱাবা অসি য়েংবীদুনা লৌ মপুশিংনা লৌসাল লৌবীগনু হায়না কুম্বী কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কে কে দি সীগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম ইমোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎকা ঈরোয়ননা কুমগী নোং মতম চানা তাখিদবা, লৌমীশিংনা হার ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্লখ্রবা কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লৌফমশিংগী চাদা ৬০ দি ফৌ লোক্লোইদৌরি। কে কে দি সী, কুম্বীগী থৌমীশিংনা লৌফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা ফৌথোক নীংথিনা লৈবগী মমি তাদে। মফম কয়াদদি ফৌ লোক্লোইদবগী ফীভমদা লৈহৌরি। ফৌ লোক্লরোইদবনা লাক্কদবা চহীদা করি চাদুনা হিংগনি। ফৌ তাইরগা মচা-মশুশিং মহৈ-মশিন তমহনবা অমদি ইমুং-মনুং পুগদবা অদু ফৌ লৈত্রবনিনা কদায়দা চৎলগা থবক শুদুনা ইমুং-মনুংশিং পুগনি হায়দুনা লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্পগী ফীভমদা লৈনহৌরি।

চৎলিবা থা অসি হেক লোইবগা লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী থৌমীশিংনা কুম্বী এ সীগী লৌবুকশিংদা হকথেংননা মীৎয়েং চঙবীদুনা লৌমীশিংদা রবি লৌরোক্কী মরূ-মরাংশিং পীবীয়ু। লৌমীশিংদা থম্মোয় শেংনা তেংবাঙবীয়ু। লৌমীশিংবু ঈকায়খুম্নবীয়ু। কুম্বী কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনসু লৌমীশিংদা অঙম্বা থাক্তা তেংবাঙজগে। লৌমীশিংনা লৌবুক্তা লৈহৌরিবা চরুশিং মৈ থাদোকপীগনু। লৌউ লোয়শঙগী অখঙ-অহৈশিংনা চরু মৈ থাদোকপনা লৈবাক লৈহাও মাঙহল্লি অমদি নুংশিৎ শেংহন্দবদা মতেং পাংশিল্লি হায়রি। লৈঙাক্লসু লৌমীশিংগী য়াইফননবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি। মেছিন্না শীল্লক্তুনা মাঙথরক্লবা মহৌশাগী লৌমীশিংনা শীজিন্নরম্বা খুৎশু-খুৎলায়শিং য়োকখৎনবা, শা-ষন য়োকখৎনবা অমদি ওর্গানিক লৌউদা লাক্লবগী পান্দমদা ওল মণিপুর বুলোককার্ট ৱেলফেয়র এসোসিএসন মণিপুর কৌবা লূপ অমা শেমজরে। য়েৎপীনিংবা, খঙবীনিংবা লৈরবসু চৎলিবা থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা খঙহনবীরকউ। মসিগী মতুংদা মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফৌবৈ মৈ থাবদা চেন্নবা মীওই চৈরাক পীয়ু : লম্লাই মপারী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ফৌবৈ মৈ থাবদা চেন্নবা মীওই অথুবদা ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়না লম্লাই মপারী থৌগল লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লম্লাই মপারী থৌগল লূপকী প্রসিদেন্ট এস ধনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালগী লমজিং মখাদা লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা সেকমাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা সেঞ্জম চিরাংদা মশক খঙদবা লৈবাক খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীনুংশি লৈতবা মীওইশিংনা ফৌবৈ মৈ থাদোকপীরম্বদগী অৱাবা তারবা লৌমী ইমুংশিংদা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখ্রে। অশেংবা লৌমী-শিন্মী মীয়ামগী লুচিংবা ওইরিবা সাপমচা কংলৈপালনা অসিনা অসিগুম্বা লৌমী মীয়াম্না অৱাবা তারবা মতমদা কৈদৌনুংদা তুমীন্না লৈথোকপা ঙমদে। মরম অদুনা মহাক্কী লুচিং মখাদা লূপ অসিগী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা অঙম-অঙম্বা খায়গৎনদুনা তেংবাঙবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু।

মীওইবগী মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদবা লীচৎ অমগুম লৌমী মীয়াম্না ৱানা হোৎনজবগী মহৈ অমা ওইনা পৈশিন্দুনা থম্বা ফৌবৈ মৈ থাদোকপীরম্বা থৌওং লম্লাই মায়কৈগী লৌমী মীয়ামগী মহুৎ শীল্লগা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল অমদি লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা থম্মোয় শোক্লা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। মরাল লৈবা মীওই অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা ফাদুনা চৈরাক পীবীয়ু। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু। ফৌবৈ মৈ থাবদা চেন্নবা মীওই লৌমী খুন্নাইগী য়েক্লবনি। লৌমীনা মশীং য়াম্না লৈবা মণিপুরদা লৌমী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং ঙসি ফাওবা মতিক চানা লৈত্রি। ঈথৈ-লৌখোং নীংথিনা শেম্বীদ্রি। মতম চানা হার ফংহনবা ঙমদ্রি। য়েলহৌঙৈদগী চৎনরকপা লৌউ পথাপতা লৌমী মীয়াম ঙসিসু হিংলি। অনৌবা লৌউ পথাপ শেমগৎতুনা লৌমী মীয়ামগী য়াইফবা তুংলমচৎ অমা ঙসি ফাওবা শেন্বীদ্রি। অসিগুম্বা য়াম্না লাইবক থীরবা লৌমী মীয়ামগী পুন্সিদা তেমশিংনদুনা ফৌবৈ মৈ থাদোকপীবা অসি য়াম্নমক মীনুংশি লৈতবা থৌওংনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এন ঈ পি ২০২০গী মতাংদা চথরকপা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স এদ্যুকেসন অমদি জি পি ৱিমেন কোলেজগা পুন্না খুৎশম্নরগা ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর রুসাগী শেন্থং মখাদা দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স কোলেজ ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি) ২০২০গী মতাংদা নুমীৎ মঙানি চুপ্না চথরকপা চোইজ বেজ ক্রেদিট সিষ্টম (সী বি সী এস) অমদি লার্নিং আউটকম করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক (এল ও সী এফ) শেম্নবগী ৱার্কশোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরমদুদা এদ্যুকেসন (য়ু)কী কম্মিস্নার এম হরেকৃষ্ণনা অথোইবা মীথুং অমসুং দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল এ কে সুরোধোনিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এদ্যুকেসন (য়ু)কী কম্মিস্নার এম হরেকৃষ্ণনা হায়খি, চোইজ বেজ ক্রেদিট সিষ্টম অসিনা মপুং ফানা চৎনরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। ওজাশিংনা ফংবা লৌশিংশিং অদু মহৈরোয়শিংদা চপ চানা ফংহনবা ঙম্লবা মতমদা হ্যুমেন রিছোর্স মপুং ফানা চাউখৎপা ঙমগনি। এন ঈ পি ২০২০গী মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা ২০৩০দা মপুং ফাবা মহৈরোয়শিং পুথোকপা ঙম্ননবা ওজাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অসিগী কনভেনর ওইরিবা দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স এদ্যুকেসনগী এসোসিয়েট প্রোফেসর কে ঐচ দিনেশকুমারনা হায়খি, নুমীৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্লিবা চোইজ বেজ ক্রেদিট সিষ্টম (সী বি সী এস) অমসুং লার্নিং আউটকম করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক (এল এ সী এফ) শেম্নবগী ৱার্কশোপ অসিনা ওজাশিংদা অহেনবা নোলেজ পীবগা লোয়ননা এন ঈ পিদা য়াওরিবা কন্টেনশিং হেন্না খঙহনবদা মতেং ওইরগনি। ওজাশিংদা অহেনবা লৌশিং ফংহন্ননবগীদমক পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ কয়া পাঙথোক্লনবসু মহাক্না এদ্যুকেসন কম্মিস্নারগী পূক্নিং চিংশিনখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবা ওজাশিংদসু সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখি। লোয়ননা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবা ওজাশিংগী কোলেজশিংদা চৎনরিবা সিষ্টমশিংগী মতাংদা ইন্টরেক্সন তৌনখিবগা লোয়ননা ফিদবেকসু লৌনখি।